# রসিয়ন ট্রুপশিংনা সেল কাপ্পদা ন্যুক্লিয়র প্লান্ট মৈ চাকখ্রে, য়ুক্রেননা রসিয়াদা ৱার্নিং তৌখ্রে

কিভ, মার্চ ০৪ (এজেন্সী):

রসিয়ন ট্রুপশিংনা সেল কাপশিনবদা য়ুক্রেনগী জপোরিষ্টজ য়াদা লৈবা ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট মৈ চাকখিবগা লোয়ননা এরিয়া অদুদা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লবা লেপখি হায়না ইরাই নুমিত্তা য়ুক্রেনিয়ন ওফিসিএলশিংনা ক্লেম তৌখ্রে।

ওফিসিএলশিং অদুগী মতুং ইন্না প্লান্ট অদুদা মৈ চাক্লিবা অদুসু মুত্থৎখ্রে। জপোরিষ্টজয়াদগী কিলোমিটর ১২০ রোম লাপ্লা লৈবা ইন্নরগোদা সিটিগী মেয়র দিমিত্রো ওলোক্লা লোকেল ব্রোদকাষ্টর অমদা হায়খি, মদুদি য়েক্ল বনা ন্যুক্লিয়র প্লান্ট অদুগী বিল্ডিংশিং অমসুং য়ুনিটশিংদা পুং কয়া লেপ্তুনা সেল কাপশিনখিবা মতুংদা কমপ্লেক্স অদুগী মনাক্তা য়ুক্রেনিয়ন দিফেন্দরশিং অমসুং রসিয়ন ট্রুপশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লবা লেপখি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা য়ুক্রেনগী ষ্টেট ইম্মার্জেন্সি সার্ভিসেসনা হায়, অয়ুক পুং ৬.২০ রোম তাবদা ট্রেনিং বিল্ডিংদা চাক্লল্বা মৈ মুত্থৎপা ঙমখি। মৈ চাকপা অদুদা মীশি মীনা থোকপগী পাউ ফঙখিদে।

সার্ভিসেস অদুগী মতুং ইন্না মৈ চাক্লিবদু বিল্ডিং অদুগী অহুমশুবা, মরিশুবা অমসুং মঙাশুবা ফ্লোরদনি। অহানবদা রসিয়ন ট্রুপশিংনা চঙবা থিংলম্বদগী মমৈথংদা ফায়র রেস্পোন্দরশিং অয়ুক পুং ৫.২০ রোম তাবদা চঙশিনখি। য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা ন্যুক্লিয়র প্লান্ট অদুদা মৈ চাওনা চাক্লকখিবা মতুং ঙাইহাক কান্নরগা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা কন্টিনেন্ট অসিগী লুচিংবশিংনা মীকপ থোক্তুনা রসিয়াগী মায়োক্তা খুদক্তা এক্সন লৌখৎনবা আপিল তৌখি।

ট্যুটরদা থাগৎপা ভিদিও পোষ্ট অমদা জেলেন্সকিনা হায়খি, য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা ন্যুক্লিয়র পবার প্লান্ট হৌজিক মৈ চাক্লে। রসিয়ন ট্রুপশিংনা থর্মেল ইমেজিং য়াওবা টেঙ্কশিং শীজিন্নরগা অতম্লনা প্লান্ট অদুদা কাপশিনখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি কুমজা ১৯৮৬ তা চেরনোবিল ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট লিক ওইবদগী গ্লোবেল কটাসট্রোফি থোকখিবা অদুদগী জপোরোষ্টজিয়াগী অসিনা য়াম্না হেন্না শাথিগনি।

মদুগী মমাঙ অঙনবদা ফোরেন মিনিষ্টর দমিট্রো কুলেবানা রসিয়নশিংদা ৱার্নিং তৌবগা লোয়ননা মৈ চাকপা অদুনা মরম ওইদুনা করিগুম্বা ন্যুক্লিয়র প্লান্ট অদু পোকখায়রম্বা তারবদি মদু চেরনোবিল দিজাষ্টরদগী শরুক তরা হেন্না শাথিরমগনি।

রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবা মাপননি চনবা নুমিত্তা থোক্লিবা মীপায়নিংঙাই ওইরবা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মালেম পুম্বনা রসিয়াগী এক্সন অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে।

জেলেন্সকিগা ফোনদা ৱারী শান্নবদা য়ুকেগী প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সনা হায়খি, মদুদি রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা হন্না তুনা য়েংদনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিনা হৌজিক য়ুরোপ পুম্বগী সেফতিদা হকথেংননা অকিবা চাওনা পীরে। ন্যুক্লিয়র প্লান্ট মৈ চাকপগী ফিভম অদু হেন্না শোকচিনহন্দনবা য়ুকেগী মায়কৈদগী পায়খৎফম থোকপা থৌরাংশিং পায়খৎলগনি।

মহাক্না য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী ইম্মর্জেন্সি মীফম ফম্ন বা তকশিনবগা লোয়ননা মহাক্কী লৈবাক্লা ইস্যু অসিগী মতাংদা রসিয়া অমসুং মসিগী পাটনরশিংদা কমপ্লেন্ট তৌরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা য়ুএস সেক্রেটরি ওফ ইনর্জি জেনিফর গ্রানহোল্মনসু রসিয়াগী এক্সন অদুবু কন্দেম তৌখ্রে অমসুং মহাক্কী লৈবাক্কী ন্যুক্লিয়র ইনসিদেন্ট রেস্পোন্স টিম এক্তিবেট তৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

কনাদাগী প্রাইম মিনিষ্টর জষ্টিন ট্রুদোনা থৌদোক অদুবু কন্দেম তৌরদুনা রসিয়ানা খুদক্তা অসিগুম্বা মালেম্না য়ারোইদবা এটেক্টশিং খুদক্তা লেপকদবনি হায়খ্রে।



# ইস্লামাবাদ য়ুনিভর্সিটিদা বালোচ মহৈরোয়শিং হরাসমেন্ট পীরে, ইন্ট্রোগেসন চখ্বরে

ইস্লামাবাদ, মার্চ ০৪ (এজেন্সী):

পাকিষ্টানগী কেপিটেল ইস্লামাবাদতা লৈবা য়ুনিভর্সিটি অমদা তম্লিবা বালোচ মহৈরোয়শিংবু রেসিএল প্রোফাইলিং অমসুং সর্ভিলেন্স চখ্বগী মায়োক্তা পাঙথোকখিবা প্রোটেষ্ট অমদা শরুক য়াখিবা হ্যুমেন রাইটস এক্তিভিষ্ট ইমাম মর্জরি, এমএনএ মোসিন দৱার অমসুং অতৈ মহৈরোয়শিংগী মায়োক্তা সিটি অসিগী পুলিসনা সিদিসনগী চার্জ ফাইল তৌখ্রে।

চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা বালোচ মহৈরোয় কাঙবু অমা ইস্লামাবাদতা লৈবা নেসনেল প্রেস ক্লবকী মপানদা পুন্দুনা ইস্লামাবাদকী কাইদ-ই-অজম য়ুনিভর্সিটি (ক্যুএয়ু) দা ওথোরিটিশিংনা বালোচ মহৈরোয়শিংবু অকিবা পোকহনবা অমদি হরাসমেন্ট পীবগী থৌওং চখ্বগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখি।

মেজর মুর্টাজা কৌবা ইন্দিভিজুএল অমনা তোইনা হরাসমেন্ট পীবা অমদি ইন্ট্রোগেসন তৌবনচিংবা চখ্বে হায়না মহৈরোয় কয়ানা ফোঙদোরকখি।

ইংনা চিক্লা দিমোন্সট্রেসন চখ্বরিঙৈদা পুলিসনা মহৈরোয়শিংদা এটেক্ত তৌখি অমসুং মহৈরোয় কয়াগী ফোনশিং মুনখি। মদুগী পাউখুম ওইনা মহৈরোয়শিংনা প্রেস ক্লবকা থংননা লৈবা লম্বী ব্লোক তৌখি। ইস্লামাবাদতা পুলিসনা এমএনএ মোসিন দৱার, হ্যুমেন রাইটস এক্তিভিষ্ট মর্জরি অমদি মহৈরোয় কয়াগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট য়াওবগী মরালদা সিদিসন চার্জ ফাইল তৌখি।

প্রোটেষ্ট অদুদা শরুক য়াখিবা হ্যুমেন রাইটস মিনিষ্টর শ্রীয়েন মর্জরিগী মচানুপী এক্তিভিষ্ট অমসুং লোয়র ইমাম মর্জরিবু পুলিসনা তাথি তাওইনা তৌবগা লোয়ননা প্রোটেষ্ট অদুদা য়াওরিবা মহৈরোয় খুদিংমক ময়ুমদা হন্নবা খঙহনখি। পুলিসনা লৌশিনখিবা মোবাইলশিং হন্দোক্লবা এক্তিভিষ্ট অসিনা তকশিনখি।

বালোচিষ্টান পোষ্টকী মতুং ইন্না পাকিষ্টানগী পঞ্জাব প্রোভিন্সতা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ গুজরাটতা তম্লিবা বালোচ অমসুং পাষ্টুন মহৈরোয়শিংসু হরাসমেন্ট পী অমসুং য়ুনিভর্সিটি প্রেমিজেস মনুংদা মখোয়বু রেসিএল প্রোফাইলিং চখ্বে।

হরাসমেন্ট নঙলবা মহৈরোয়শিং অদুনা ফোঙদোরকপদা মীচমগী ফিজেল শেৎপা মশক খঙদবা মীওইশিং য়ুনিভর্সিটি অদুদা তোইনা লাকই অমসুং মখোয়না মহৈরোয়শিংবু কৌখৎলগা মখোয়গী মোবাইল ফোনশিং, সোসিয়েল মেদিয়া একাউন্টশিং চ্যেক তৌবগা লোয়ননা মখোয়গী ইমুংগী মীওইশিংগী মরমদা ৱাহং কয়াসু হংখি।



# ওষ্ট্রেলিয়ন রিছর্চরনা শাদা শীজিন্নগদবা কোভিদ ভেক্সিন পুথোকখ্রে

কানবেরা, মার্চ ০৪ (এজেন্সী):

সাউথ ওষ্ট্রেলিয়াগী রিছর্চর অমনা শাদা শীজিন্নগদবা কোরোনা ভাইরস ভেক্সিন অমা পুথোকখ্রে। ভেক্সিন অদু অথুবা মতমদা য়ুমদা য়োক্ল-লোইনরিবা শাশিংদা চাংয়েং তৌরগনি হায়রি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, ফ্লিন্দর্স য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর নিকোলাই পেট্রোবস্কি অমসুং ভেটিরিনরিয়ন সাম কোভাক্না খুৎশম্ন রগা কোভাক্স ১৯ হায়রিবা ভেক্সিন অসি শাদা করম্না শীজিন্নগদগে হায়বগী মতাংদা থিজিনখি।

প্রোফেসর পেট্রোবস্কিনা পুথোকপা কোভাক্স ১৯ হায়রিবা ভেক্সিন অসি ইরানদা মীওই মিলিয়ন কয়াদা কাপখ্রে অমসুং মসি ওষ্ট্রেলিয়াদা মীওইবদা শীজিন্ননবগী অয়াবা পীরকপা ঙাইরি।

ভেক্সিন অদুগী চাংয়েংদা শরুক য়াহনগদৌরিবা য়ুমদা লোইবা শা ২৫ গী মনুংদা ভেটরিনরিয়ন কোভাক্কী হুই অহুম য়াওরি। মহাক্না ইরাই নুমিত্তা ওষ্ট্রেলিয়ন ন্যুজ এজেন্সি অমদা ফোঙদোকখিবদা খ্বাইদগী নুংঙাইরবা ৱাফমদি মীওইবদা শীজিন্নবা ভেক্সিন টেক্নোলোজিদা য়ুম্ফম ওইবা অমসুং মীওই মিলিয়ন তরুক হেনবদা অশোই অঙাম য়াওদনা শীজিন্নখ্রবা ভেক্সিন অসি শাদা কাপ্পদা খুদোংথীবা থোক্লোই হায়না ঐখোয়না চেৎনা থাজে।

অতৈ রেস্পিরেটরি ভাইরসকা মান্নদবা মওংদা কোরোনা ভাইরস অসি হৌজিক হৌদোং অমসুং হুই য়াওনা য়ুমদা লোইবা শা কয়াদা দিটেক্ট তৌরে।

শাশিং অসিদা কোরোনা ভাইরস ইনফেক্সন লৈরম্লিবা অসি মরু ওইনা মীওইবগা নকশিন্নরুবদগীনি। ঐখোয়গুম্না মখোয়সু ইনফেক্সন লৈরবা মীওই অমগা হকথেংননা শম্নরুবদগী লায়না অসি দিভলপ তৌরকপা য়াই। শাশিংদা মাইওর্কদাইটিস, পেরিকর্দাইটিস, রেস্পিরেটরি ফেল্যর লাকপা য়াবগী রিস্ক লৈ। তৌইগুম্বসুং মীওইবদা থোকপগুম মখোয়দসু কোভিদ ১৯ পোজিটিব ওইরবসু অকনবা লাইওং চেন্দবা নক্তগা লাইওং অমত্তা উৎলক্তবসু য়াই।

ইরাই নুমিত্তা ওষ্ট্রেলিয়াদা মীওইবদা কোরোনা ভাইরস ইনফেক্সন ২৫০০০ ইনৌ নৌনা দিটেক্ট তৌখি। নুমিৎ অসিদা মীওই ৩৭ লায়না অসিনা শিহনখি। ভিক্তোরিয়াদা মীওই ২৬ শিখি। প্রিন্সলেন্দদা মীওই ৭, সাউথ ৱেলসতা মীওই ২ অমসুং সাউথ ওষ্ট্রেলিয়াদা মীওই ২ শিখি।

শীজিন্ননবা এপ্রুভ তৌদবা রেপিদ এন্টিজেন্ট টেষ্ট (আর এ টি) শিং শীজিন্নদনবা ইরাই নুমিত্তা মেদিকেল রেগুলেটর থেরাপ্যুটিক গুদস এদমিনিষ্ট্রেসন (টিজিএ) না ওষ্ট্রেলিয়নশিংদা ৱার্নিং তৌখি।

# হ্যুমেনিটেরিয়ান কোরিদোরশিং লৈহনবদা মোস্কো অমসুং কিভনা য়ান্নখ্রে

কিভ, মার্চ ০৪ (এজেন্সী):

য়ুক্রেনগী লান শোক্লরিবা মফমশিংদগী মীচমশিং হোন্দোকপা অমদি হিদাক লাংথকশিং অমসুং চান থক্লবা পোৎলমশিং সপ্লায় তৌবদা খুদোংচানবগীদমক হ্যুমেনিটেরিয়ান কোরিদোরশিং লৈহনবগী ৱাফম মোস্কো অমসুং কিভনা য়ান্নরে হায়না লৈবাক অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নবদা শরুক য়ারিবা য়ুক্রেনিয়ন দেলিগেসনগী মেম্বর মিখাইল পোদোলয়াক্না ফোঙদোরক্লি।

আরটিগী রিপোর্টনা মহাক্কী ৱারোল পল্লদুনা হায়, মীচমশিং হোন্দোকপগী থবক চথরিবা সেক্তরশিংদা নাকল অনীগী মরক্তা টেম্পররি সিজ ফায়র লৈহল্লকপা য়াই। পোদোলয়াক্কী মতুং ইন্না কিভ অমসুং মোস্কোগী রিপ্রজেন্টটিবশিংগী মরক্তা ৱারী শান্নবদা য়ুক্রেনদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অদুনা মীচম মীয়ামদা ৱাহনবগী ৱাফম অসি কুপ্না খন্ন-নৈনখি।



রসিয়ন দেলিগেসনগী মকোক ওইরিবা ব্লাদিমির মেদিন্সকিনা ফোঙদোরকখিবদা মীফম অদুদা শরুক য়ারিবা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী দেলিগেসনশিংনা য়ুক্রেনদা হৌজিক লৈরিবা ফিভমগা মরী লৈনবা ইস্যু পুম্নমক খন্ন-নৈনখি।

ঐখোয়না ইস্যু ব্লোক অহুম্মক হায়বদি মিলিটরি ইস্যু, ইন্টরনেসনেল হ্যুমেনিটেরিয়ান ইস্যু, ইস্যু অসিগা লোয়ননা অহুমশুবা ইস্যু ওইনা কনফ্লিক্ট অসিগী তুংদা লাক্কদবা পোলিটিকেল সেটলমেন্টগী ইস্যুসু খন্নখি।

নাকল অনীগী ফিরেপশিং ময়েক শেংনা খঙহন্নখি। পোইন্ট খুদিংমক ইশিন্দুনা রেকোর্দ তৌখি হায়না রসিয়ন দেলিগেসনগী মকোক অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মেদিন্সকিনা হায়, ইস্যু খরগী মতাংদা ঐখোয়না অন্দরষ্টেন্দিং পুরক্লবা হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং ঙসি লৈখায় তারিবা মরু ওইবা ইস্যুদি লান শোক্লরিবা মফমদা লৈরিবা মীচম মীয়ামগী পুন্সি কনবা অসিনি। য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলিন্সকিনা মীফম অদু লোইরবা মতুংদা ফোঙদোকখিবদা রসিয়ন দেলিগেসনগী মায়কৈদগী নেগোসিএসন মনুংদা হংনখিবা ৱাহং খরদি মখোয়দা পাউখুম লৈজবা ঙাক্তনি। মখোয়না পুখৎলক্লিবা ইস্যু খরদি কমপ্রোমাইজ তৌবা য়াদবা ঙাক্তনি হায়না জেলিন্সকিগী ৱারোল পল্লদুনা য়ুক্রায়িন্সকা প্রাভদাগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

মরু ওইনা য়ুক্রেনবু রসিয়াগী শরুক অমনি হায়রক্লবদি মদুবু ঐখোয়না করম্না য়াগদৌরিবনো হায়না জেলিন্সকীনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়ুক্রেনদা রসিয়ানা লান্দাদুনা লৈবাক অনীগী ফোর্সশিংগী মরক্তা মফম কয়াদা শোক্লরিবা লানদা ক্রাইমগী থৌওং কয়া চথখিবা লৈব্রা হায়বসি খঙদোক্লবগীদমক খুদক্তা ইনভেষ্টিগেসন হৌরগনি হায়না ইন্টরনেসনেল ক্রিমিনেল কোর্ট (আইসিসি) গী প্রোসিক্যুটরনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রবনি।

# লোনা য়াদবা মওংদা বম্বুলা শারিঙৈদা পোকখায়রকপদগী মীওই ১০ শিরে, ৯ শোক্লে

পটনা, মার্চ ০৪ (এজেন্সী):

হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা বিহারগী বগলপুর দিষ্ট্রিক্টকী কাসভালিচাক এরিয়াদা লৈবা বিল্ডিং অমগী মনুংদা থোকখিবা অচৌবা পোকখায়বগী থৌদোক অমদা পীক্লিবা অঙাং অমা য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই তরা শিখ্রে অমসুং অতৈ কয়া অমনা অশোক অপন নঙখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুমদুদা লৈরিবা ইমুংগী মীওইশিং লোনা য়াদবা মওংদা বম্বুলা শাবগী থবক তৌই। থৌদোক অদু মখোয়না বম্বুলা শারিঙৈদা খঙহৌদনা থোক্লকখিবনি হায়রি। বগলপুর দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট সুব্রট কুমার সেননা হায়খি, মদুদি প্রাইমা ফেসি পোকখায়বগী থৌদোক থোকখিবা য়ুমদুদা লৈরিবা মীওইশিং বম্বুলা শাবদা চেন্নে হায়বসি খঙলে।



পোকখায়বগী পাউফঙবগা খুদক্তা পুলিস টিম অমা মফমদুদা চঙশিনখি। পোকখায়বগী মখোল অদু য়াম্না লাপ্না তান্নখি হায়না সেননা ফোঙদোকখি।

মেজিষ্ট্রেট অসিগী মতুং ইন্না থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিনবা হৌখ্রে। ওফিসিএলশিংনা ফোঙদোরকপদা মীওই কয়াসু অশোক অপন নঙখিবা মতিক ময়াই লৈনা পোকখায়খিবা অদুদা থংননা লৈবা য়ুম অহুমসু অমাঙ অতা থোকখি।

বোম দিস্পোজেল স্কৱাদকী টিমশিং থৌদোক থোকফমদা চঙশিনখিবগা লোয়ননা ব্লাষ্ট অদু করম্বা মেটরিএল মখলনা থোকহল্লিবনো হায়বসি লেপথোক্ল বগীদমক ফোরেন্সিক এক্সপার্টশিংনা সেম্পলশিং কলেক্সন তৌরে।

চৈরকসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমারগা বগলপুরগী থৌদোক অসিগী মতাংদা ফোনদা ৱারী শান্নখ্রে অমসুং গভর্নমেন্টনা রিলিফ অমসুং রেস্ক্যুগী থবক নীংথিনা পায়খৎলি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখ্রে।

ট্যুটর পোষ্ট অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়, ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসন্না ভিক্তিমশিংদা পীবা য়াবা মতেং পীরি।

# পিএম মোদিনা চিয়র লৌদুনা অৱাংবা থাক্কী মীফম পাঙথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৪ (এজেন্সী):

ওপরেসন গঙ্গাগী মখাদা পায়খৎলিবা য়ুক্রেনদা পন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়ানশিং হোন্দোকপগী থবক্কী প্রোগ্রেস প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চিয়ার লৌদুনা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা ফমদুনা রিভিয়ু তৌখ্রে।

ইরাই নুমিত্তা পাঙথোকখিবা মীফম অদু অসিগুম্বা মখলগী মঙাশুবা মীফমনি। মীফম অদুদা এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর এস জয়সঙ্কর, কর্ম্মস মিনিষ্টর পিয়ুস গোয়েল, নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর অজিট দোভাল, প্রাইম মিনিষ্টরগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি পিকে মিস্রা, কেবিনেট সেক্রেটরি রজিব গৌবা, ফোরেন সেক্রেটরি হর্স ভর্দন স্রিংলা অমসুং এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্ট্রিগী সেনিয়ার ওফিসিএলশিংনা শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা জয়সঙ্কর অমসুং স্রিংলানা মোদিদা পন্থদুনা লৈবা ইন্দিয়ানশিং হোনবগী মিশন অদুগী প্রোগ্রেস তমখি অমসুং কিভতা লৈবা ইন্দিয়ান এম্বেসিনা হান্নগী এদভাইজ রিশিং ইস্যু তৌখিবদগী হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়ান ১৮,০০০ হেন্না অশোই অঙাম য়াওদনা হোন্দোরক্লে হায়বসি খঙহনখি।

ইন্দিয়ানশিং মরু ওইনা রসিয়াগী বোর্দরগা নক্লবা ওদেসা অমসুং সুমিগী মফম কয়াদা পন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়ানশিংগী ষ্টেটসকী মরমদসু মখোয়না প্রাইম মিনিষ্টরদা ব্রিফ তৌখি অমসুং মখোয়বু অশোই অঙাম থোকহন্দনা মফম অদুদগী হোন্দোক্লবগী পাম্বৈশিং খন্নখি।

সুমি হায়রিবা মফম অদু রসিয়ন বোর্দরগা নক্লনা লৈ অমসুং হৌজিক মফম অদুদা রসিয়ন ট্রুপশিং অমসুং য়ুক্রেনিয়ন দিফেন্দরশিংগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্নরি।

উত্তর প্রদেশতা মীখলগী কেম্পেইন কয়া চৎতুনসু মোদিনা চিয়ার লৌদুনা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদগী নুমিৎ খুদিংগী অৱাংবা থাক্কী মীফম ফমদুনা মী হোন্দোকপগী থবকশিং রিভিয়ু তৌদুনা লাক্লি।

# অশিস মিস্রাগী বেল কেন্সেল তৌবীনবা প্লিগী হিয়ারিং তৌরগনি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৪ (এজেন্সী):

লৌমী মরি য়াওনা মীওই নিপান শিখিবা লখিম্পুর খেরিগী ভাইওলেন্সকা মরী লৈননা এল্লহাবাদ হায় কোর্টনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অজয় মিস্রাগী মচানুপা অশিস মিস্রাদা পীখিবা বেল শিংনদুনা থাবা প্লি অমা মার্চ ১১ দা হিয়ারিং তৌননবা ইরাই নুমিত্তা সুপ্রিম কোর্টনা ৱারেপ লৌখ্রে।

কেস অদুগী অতৈ এক্যুজ শিংনসু অশিস মিস্রাদা বেল পীবগুম্না মখোয়দসু বেল পীবিনবা কোর্টশিংদা ৱাকৎলে হায়বা উকিল প্রসান্ত ভুসনগী সবমিসনশিং চীফ জষ্টিস এনভি রমানানা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা য়েংশিনখিবনি।

ভুসনগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা সিজেআইনা মার্চ ১৩ দা হিয়ারিং তৌনবা মতম লেপখি।

ভুসননা মহাক্কী সবমিসনদা হায়খি, মদুদি হায় কোর্টনা অশিস মিস্রাদা বেল পীবা মতমদা লোগী প্রোভিজনশিং ঙাকখিদে। ইভিদেন্স শেমদোক শেমজিন তৌবা অমদি জষ্টিসতগী নাম্থোক্লবা হোৎনবগুম্বা ৱাফমশিং অসি বেল পীবা মতমদা মুন্না খন্নখিদবগী মমি তাই। হৌজিক লৈরিবা প্রোব্লেমদি অতৈ এক্যুজ শিংনসু কোর্টশিংদা অশিসকুম্না মখোয়দসু বেল পীবিনবা মুভ তৌরি।

মহাক্না হৌজিক্কী ওইনদি অতৈ এক্যুজশিংগী বেল প্লি খন্নবা য়াখিরোই হায়না খঙহনবা দিরেক্সন অমা হায় কোর্টতা পীননবা মহাক্না বেঞ্চ অসিদা তকশিনখি।

হৌখিবা চহীগী ওক্তোবর ৩ দা উত্তর প্রদেশকী লখিম্পুর খেরিদা লৌমীশিংনা ষ্টেট অসিগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর কেস্যাপ প্রসাদকী মায়োক্তা পোটেষ্ট তৌরিঙৈ মনুংদা থোক্লকখিবা ভাইওলেন্সতা মীওই নিপান শিখিবনি।

থৌদোক অদুদা লৌমী মরিনা এসয়ুভিনা তক্তুনা শিখি। গাড়ী অদুগী দ্রাইভর অমসুং বিজেপি ৱার্কর অনী খোইরাং খোইশাওনরবা লৌমীশিংনা ফুবদা শিখিবনি।


নং ৬(৪) ২০০২-০৩ / জেঃএনঃএমঃডিঃএ

ওফিস ওফ ডি জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাডেমী, ইম্ফাল

ꯈꯉꯍꯟꯕ / খঙহঞ্জবা

ইম্ফাল, তাং ৩ / ৩ / ২০২২ ইং,

জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাডেমী, ইম্ফালগী শক ২০২২-২৩ ইংগী ফাউন্দেসন কোর্স (জগোয় অমসুং সঙ্কীর্ত্তণ) গী অনৌবা ছাত্র-ছাত্রি লৌনবগী দরখাষ্ট কৌরি। এপ্লিকেসন ফোর্ম একাডেমী অসিদগী তাং ৭ / ৩ / ২০২২ ইংদগী তাং ৩০ / ৩ / ২০২২ ইং, ফাওবগী মনুংদা ওফিস মতমদা লৌবিরগা মেনশিল্লবা ফোর্ম অদু তাং ৩১ / ৩ / ২০২২ ইং, ফাওবগী মনুংদা ওফিসতা য়ৌহনবিরক্কদবনি।

ফাউন্দেসন কোর্স জগোয় অমসুং সঙ্কীর্ত্তণ

চহী ৩ (অহুম) গী কোর্স ওইগনি। মশাগী চহী ১৪ দগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈগী থাক ক্লাস VIII (আইত) পাস তৌবা ওইগদবনি।

ডিপ্লোমা কোর্স জগোয় অমসুং সঙ্কীর্ত্তণ

চহী ৩ (অহুম) গী কোর্স ওইগনি। মশাগী চহী ১৭ তগী ২০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈগী থাক ক্লাস XII (টুয়েল্ব) পাস তৌবা ওইগদবনি।

স্কোলারসিপ অমসুং ষ্টাইপেন্দ

ফাউন্দেসন কোর্স তা (৪) থাদা লুপা ১০০০ /-
ডিপ্লোমা কোর্স তা (১০) থাদা লুপা ২০০০ /-
পোষ্ট ডিপ্লোমা কোর্স তা (১৫) দা থাদা লুপা ৩০০০ /-
মণিপুরগী ৱাংমদগী লাকপা ছাত্র-ছাত্রিশিংগী ওইনা ষ্টাইপেন্দ থাদা লুপা ১০০০ /-

ইন্টরভিয়ুগী মতম

ফাউন্দেসন অমসুং ডিপ্লোমা কোর্স (জগোয় অমসুং সঙ্কীর্ত্তণ)
তাং ৪ / ৪ / ২০২২ ইং, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০.০০

খঙজিনগদবা ঃ-

মেনশিল্লবা ফোর্ম পিখৎলকপদা চহীগী প্রমাণ য়াওবা সার্টিফিকেট (ওরিজিনেল কোপী) লোইনবিরক্কদবনি লোয়ননা নম্বা কুইদ্রিবা মশাগী পাস্পোর্ট ফোটো অনী হাপ্পীরক্কদবনি।

সি.এচ. নবচন্দ্রা সিংহ
সেক্সন ওফিসার (এডমিনিষ্ট্রেটিব ইন-চার্জ)
জবাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স
একাডেমী, ইম্ফাল

HL-B/7503/4,5